ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯅꯤꯡꯊꯧꯀꯥꯕ, ꯁꯦꯞꯇꯦꯝꯕꯔ ꯲꯶, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯶ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯱꯸꯰ ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
নিংথৌকাবা, সেপ্টেম্বর ২৬, ২০২২, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ১৮০শুবা মশীং

## নুপীগী ইকায়খুম্নবা মাঙহনবা

### অহকপা লোনা য়ারক্ত্রবরা

মালেমসিদা লৈরিবা থৱায় পানবা পূম্নমক্কী মনুংদা য়াওরিবা 'মীওইবা' হায়বসি নুপা অমসুং নুপী অনী পুল্লগা শাবনি। থৱায় পানবা পূম্নমক্কী মনুংদা নুপা অমসুং নুপীনা ওইরিবা মীওইবনসু খ্বাইদগী অহেনবা থৱায় পানবা ওইরিবনি। মসিমক্না মীওইবনা থৱায় পানবা পূম্নমকপু কন্ত্রোল তৌদুনা লাকশিল্লগা থৱায় পানমিন্নবা মশেল পূম্নমক্কী মপু ওইরিবনি। অদুবু থৱায় পানবশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী হেন্না লৌশিং অমসুং মতিক ময়াই লৈবা মীওইবগী মরক্তা অনীখক্তমক থোক্না লৈরিবা নুপা অমসুং নুপীগী মরক্তা অমনা অমদা থোকহন্নীংদবা থৌদোক ৱাথোকশিং থোকহনগদৌরিবা অসিবু করিগীনো? নুপাগা নুপীগা খক্তনা পুনশিল্লগা শেম্বা মীওইবা হায়বসিদা অমনা অমবু ইকায়খুম্নদ্রবা, মাঙহনবগী থৌদোকশিং থোরক্লগদি নুপা মশেল নৎত্রগা নুপী মশেলদদি মীওইবা অমনা অমদা চৎকদবা লিচৎ-শাজৎশিং চুম্না লোইনমক চৎনরমগদ্রা? নুপাগা নুপীগদনা শেম্বা মীওইবগী ওইবা চৎন-কাঙলোনশিং মখোয়গী লৈফম, লাইনিং লিচৎ, লোন, ময়েক অমসুং চাকচা য়ুথক খেন্নবগী মতুংইন্না মান্নদবা খরা-খরা য়াওরবসু মাগী মাগী ওইবা লৈনরি। ইন্দিয়াগী ওইনসু লৈ অমসুং চৎনদুনসু লাক্লি, চৎনরি, মখা তানসু চৎনখিগনি। শেমদুনা থন্নগা চৎনরক্লিবা পূম্নমক মীওইবা খুন্নাইগীনি। খুন্নাইসিদা য়াওরিবা নুপা অমসুং নুপীশিংগীদমক্তনি। অদুগুম্বা য়ামখ্রবা চৎন-কাঙলোনশিং অদুগী মনুংদা নুপী ওইবীশিংগী ইকায়খুম্নবা ঙাক্নবগী ৱাফম কয়াসু য়াওরিবনি। অদুবু নুপী ওইবীশিংবু তাথী-তাওইনা তৌবা, হন্থবা থাক্তা থম্বা, তুহৎ-নৈহৎপীবা অমসুং মখোয়গী ইকায়খুম্নবা মাঙহনবগী থৌদোকশিং লেপ্তুনা থোকই। মালেমগী অতোপ্পা মফমশিংদসু থোকই। অদুবু লৈবাকসিদসু মশীং য়াম্না থোকই। পীকখ্রবা মণিপুরদা ফাওবা মশীং য়াম্না থোকচিল্লক্লে। অদুবু অসিগুম্বা ফৎতবা থৌদোকশিং থোক্লিবা করিগীনো? মশীং য়াম্না থোরক্লিবনা করিদগীনো? ৱাহংসিগী মতিক চাবা পাউখুমশিং চপ-চানা লৈ।

অদুবু লাক্লিবা ৱাহংদি নুপীদা নুপানা চথ্বফম থোক্তবা, চথ্বা য়াদে হায়বা অরানবা থবকশিং অমসুং হায়রিবা থবকশিংসি চথ্বরম্লগদি অসিগুম্বা চৈরাকশিং পীগনি হায়দুনা শেমদুনা থম্লীবা লোশিং অসি মপাঙ্গল শোল্লব্রা? মতমগা চানদ্রবা, ময়া তারবা থাঙ অমসুং ময়া য়াওদ্রবা কৈগা পাঙ্খক ওইরব্রা হায়বগী ৱাহং থোরকই। মরমদি নুপীগী ইকায়খুম্নবা মাঙহনবা য়াদে, মাঙহল্লবদি চৈরাক পীগনি হায়বসি ইন্দিয়ন পিনাল কোদ (আই পি সী) দা ময়েক শেংনা য়াওরিবনি। অদুবু নুপীদা চথ্বা ক্রাইম/ওফেন্সশিং তোয়না থোকচিল্লক্তুনা য়ামশিল্লকপদগী চহী ১৮গী মখাদা লৈবা নুপীশিংগী শরুক খায়দোক্তুনা কুমজা ২০১২দগী 'প্রোটেক্সন ওফ চিলদ্রেন ফ্রোম সেক্স্যুএল ওফেন্স (পোক্সো) এক্ট ফাওবা শেমদুনা চৎনহল্লক্লিবনি। অদুবু অসিগুম্বা থবকশিংসি পায়খৎলক্লগসু নুপী ওইবীশিংদা চথ্বা মখোয়গী ইকায়খুম্নবা মাঙহনবগী থৌদোক্তি অদুম্মক থোক্লি। মসি ওইরগদি মখা তাবা করি-করম্বা থবকশিং অমুক পায়খৎকদগে? হৌজিক চৎনরিবা পোক্সো অমসুং আই পি সীগী মরী লৈনবা পেনাল প্রোভিজনশিং খরা হেন্না ময়া ফেংদুনা থৌহনবগী তঙাইফদবা লৈরব্রা? অদুঙৈ 'নিরভয়া' বু ইকায়খুম্নবা নমদুনা মাঙহনবিরগা অচেনবা বসতগী লংথরম্বা থৌদোক্তুদা চেন্নবা মীওইশিংবুদি থৌরি য়াল্লগা হাৎখি, শিবগী চৈরাক পীখি। অসিগুম্বা থৌদোক মমাঙথক্তসু খরদি য়াওখ্রে। অদুবু মসিমক্না অহকপা পাড়া অমা ওইহনবদি ঙমদ্রি। চহী নৌরিবীশিং য়াওনা নুপীদা চথ্বা মখোয়বু ইকায়খুম্নবা মাঙহনবগী থৌদোকশিং লেপ্তুনা থোক্লি। থৌদোকশিং অসিগী তোঙান তোঙানবা মরম ময়াম লৈগনি, লৈবদগী মখা তানা থোরক্লিবনি। অদুবু মরমশিং অদুগী মনুংদা নুপী ওইবীশিংবু উশিৎ-থৌওইদবা, হন্থনা য়েংবা অমসুং মহাক মশাগুম্বা মীওইবনি হায়দুনা খনবা ঙমজদবা অরানবা ৱাখলননি হায়বসিদি ককনীংঙাই লৈতনা চুল্লগদবা ৱাফমনি হায়নীংই। মরম অসিনা মসিগী মতাংদা মরী লৈনরিবা জুদিসিয়রি, লেজিসলেটিভ অমসুং এগজিক্যুটিভশিংনা করি তৌবা য়াবগে হায়বদুগী মতাংদা কোক চুংশিন্নবা কান্নগনি খল্লি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫০

১) "**মণিপুর গৌর লীলা**" হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

২) E.F. Watling না ইংরাজিদা হন্দোকপা, The Theban plays, Penguin Books, 1947 তা ফোঙখ্রবা King Oedipus তগী মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

৩) "**মনোরমা**" হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

৪) "**অপীকপা নুংশা শ্বর**" হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং কনানা ইবনো?

৫) "**ঐনা ঈশৈ শক্লগা শক্লিবা/ঐনা লাউরগসু লাউরিবা/ফনা মান্নরি ঐগী খোন্দাগসু/কনানো শকউদবা নহাকপু**" শৈরেং মতেক অসি কনানা ইবা লাইরিক্তা য়াওবা করি শৈরেংদগী লৌথোকপনো ?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ৩০, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## লৌমীশিংগী কাখল

### লৌউ-শিংউগী ৱাহং পাউখুম

পাউখুম পীবিরিবা ঃ
ডা. এম থোইথোই সিংহ

**Q.** লমদমসিদা ষ্ট্রো বেরি থাবগী চাং ৱাংখৎলক্লি। অদুবু চারাশিংদি মপান লমদগী লোইনা লৌনৈ। শেল চংদনবা ঐখোয়না থারিবা পাম্বীশিংদুদগী থোরক্লিবা রনরশিংদু শীজিন্নদুনা অমুক থাদোকপসি পোথোক হন্থে হায়। ঐনসু য়েংবদা পোথোক হন্থনা উই; মসি করি অশোয়বা লৈবননো?

**- প্রেমানন্দ, থৌবাল**

☞ পোথোক হন্থফমদি থোক্তে। হৌরিবা পাম্বী অমদগী মসা, রনর নৎত্রগা মরূ অমা কল্লগা চারা লৌবা হায়বসি বিজিটেটিপ প্রোপেগসননি। শাগী জিনশিংদা অহোংবা লৈরোই। পোথোক হন্থরিবদুদি অতোপ্পা ফেক্টর কয়া অমা ওইরম্বা য়াই।

**Q.** লৌবুক লৈক্রক চৎলে, ঈনিলদি খরা লৈরি। ফৌ মখোঙসু তাশিল্লক্লে, য়ুরিয়া হার খরা চাইনীংবনি অদুবু পাম্বীনা ফংগদবা মান্দ্রে। ঈশিং থিৎলগা কাপ্পা কান্নগদ্রা?

**-সুসমা, কুম্বী**

☞ Nano Urea liquid ওইনা শীজিন্নবীয়ু। লিটর ১৫ চনবা স্প্রেয়রদা নানো য়ুরিয়া মিলিলিটর ৬০ হাপ্লগা শঙম অমা চাওবা লৌফমদা নানো য়ুরিয়া মিলিলিটর ৫০০ কাপথোকসি।

**Q.** আলু চারা খরা থমজবনি অদুবু অঙৌবা কোকফাই মানবা তীল ময়াম অমা নপশিন্দুনা ময়োনশিংদু কংশিনহল্লে। মসিবু থাবা য়াখিগদ্রা? করি করি তৌবা য়াবগে খরা হায়বীয়ু। ফোটো কাপ্লগসু থাজখিবনি।

**- খরিবম ফোটো, চরাংপাৎ মনীং লৈকায়**



☞ থাবা য়াখিনি। Killer 707 মিলিলিটর অমা মখায় ঈশিং লিটর খুদিংদা য়াল্লগা তীল তারবা আলুশিং (চারা) চোৎনবা কাপথোক্কনি। মসিগীদমক প্লাষ্টিক তর্পোলিন অমগী মথক্তা পানা শন্দোক্তুনা থল্লবা আলু চারাশিংদুগী মমিৎ, ময়োন পূম্নমক চোৎনবা কাপথোকসি। প্লাষ্টিক তর্পোলিনগী মচিন অনী পায়রগা অমুক্তং খংচিং চিংবদা আলুশিং মথক মখা ওল্লনি। হীদাক পান্দ্রিবা মখা থংলম্বা শরুক্তু মথক থংলবা মতমদা চোৎননবা অমুক হন্না কাপথোকসি, শোয়দনা ফগনি।

**Q.** ঐগী লৌফমসি লৌকোন অমগী লৌয়ায় ওইরপ তৌবা মফমদা লৈ। হার, তীলহাৎ হীদাক, কোকফাই হীদাকনচিংবা পূম্নমক ওর্গেনিক্কী পোৎলম ওইনা শীজিন্নজৈ; কেমিকেল অমত্তা হাপ্তে। অদুবু মীওই খরনদি কান্নদবা থবকনি। নঙগীদু ওর্গেনিক ওইরোই অতৈদগী কেমিকেলশিং চঙলক্কনি হায়বসিনি। তশেংনমক কান্নররোইদ্রা?

**- রঞ্জিৎ, অরাপতি**

☞ ওর্গেনিককী পোথোক্লি হায়বা সর্টিফিকেটতি ফংদবা য়াই। অদুবু কেমিকেল ওইবা হীদাক কাপ্পা-চাইবা তৌদ্রবনিনা ইখূৎনদি কেমিকেল য়াওহন্দ্রে। লৈবাক্তা হান্না য়াওরম্বা খরখক পাম্বীনা চিংখৎলকপা নত্তনা। কুমসিদি নাক-য়েৎকী ঈশিংসু পাশিল্লক্লবা লৈত্রবনিনা মীঙোন্দগী কেমিকেল হারসু চঙলরোই।

অমবু ওইরবসু অমবু ওইরবসু অহৌবা অমা ওইরিবসি য়াম্না ফরে। ইশাগী পোথোক ৱাংলবা, শেঞ্জংসু হন্থরবা, হকচাংসু শোক্লরোইদবা ওইরবদি থংনবা লৌফমগী মীওইশিংদসু পাম্নরক্কনি। লৌকোন্দুমা ওর্গেনিক ওইরকপা ওইসনু। লৈঙাক্লা চহী মঙাগী মনুংদা ওর্গেনিক ষ্টেট অমা ওইনবা হোৎনরিবসিদা ঐখোয় পূম্নমক য়াওশিনসি।

নীংহন্নবীগনু শোয়দনা মায় পাক্কনি।

*এগ্রিকলচরেল সেক্সন - হুইয়েন লানপাউ*
**[ফার্মরশিংনা লৌউ-শিংউগা মরী লৈননা, ঙা, শা-ষণ য়োকপনচিংবগা মরী লৈনবা ৱাহংশিং চিঠি ইরগা থাবীরকউ।]**
**চিঠি থারকফম**
**এগ্রিকলচরেল সেক্সন - হুইয়েন লানপাউ**
**সেগা রোদ থৌদা ভাবোক লৈকায় ইম্ফাল, ৭৯৫০০১**
**নৎত্রগা অদোম্না লৌউ শিংউবা, শা-ষণগা মরী লৈনবশিংগী মতাংদা খঙবিনিংবা লৈরবদি ঈ-মেল** ***hueiyenagri@gmail.com*** **দা চিঠি থাবিরক্তুনা হংবিরকপা য়াগনি।**

## নেচরেল ফার্মিং (মহৌশাগী ওইবা লৌউ কাঙলোন)

**- এস সুমঙ্গল -**

ইন্দিয়া পূম্বগী ষ্টেট খুদিংমক্তা লৌমী লাখ কয়ানা তুং কোইবা হিংননবগী লম্বী অমা ওইনা মহৌশাগী ওইবা অকোয়বগী ফীভমগা চানবা লৌউ পথাপলোমদা মায় ওনশিন্নরক্লি। মসিগী মরম অসি খরা অমনা হঞ্জিল্লক্লিবা মমাঙঙৈগী ওইবা লৌউবু পামজবা, খরা অমনা লৌউ শেঞ্জং হন্থহনবা পাম্বা অসিনি। মহৌশাগী লৌউগী কাঙলোনশিং অসি মফম মফমগী অকোয়বগী ফীভমগা চানবা মওংদা মথন্তা ওইজরকপা ঙাক্তনি। অসিগুম্বা লৌউ পথাপসিবু ওর্গানিক ফার্মিং, নেচরেল ফার্মিং, এক ফার্মিং নৎত্রগা সষ্টেনেবল এগ্রিকলচর হায়না অখঙ অহৈশিংনা কৌনরি। মসিবু পায়খৎপদা শীজিন্নরিবা পোৎচংশিং - পাম্বী মখল, হার, তীলহাৎ হীদাক্নচিংবা খুদিংমক অসি মফম মফমদুগী ফীভমগা চানবা খন্দুনা শীজিন্নবা ঙাক্তনি। খুদম ওইনা হায়রবদা শীজিন্নরিবা পোৎচংশিং অসি মশাগী ফার্ম নৎত্রগা মনাক নকপা মফমশিংদগী পুশিল্লক্লগা শীজিন্নবনি। মসিনা মরম ওইরগা কৈথেলদগী পোৎচঙ লৈদ্রে লোয়ননা শেঞ্জং হন্থহল্লে।

কাঙলোন চুম্না চাং চাবা লৈবাক লৈহাও থম্বগা ইরোয়ননা চহী অমগী মনুংদা অনীরক অহুম্লক তোঙান তোঙানবা পোথোক পুথোক্লবা হোৎনবা হায়বসিনা মহৌশাগী লৌউগী মরূ ওইবা পান্দম ওইফম থোকই। মসিনা লম মচেৎ অমদগী পোথোক য়াম্না পুথোকপদা নত্তনা শা-ষণগী মচিঞ্জাকসু পীবা ঙমহল্লি। য়োক্লিবা শা-ষণগী মথী-ময়ুংনা - খুদম ওইনা ষণ-ইরোই, ঙানু-য়েন, হামেং নৎত্রগা ওক্কী ওইনীংবসু ওইসনু মখোয়গী মথী-ময়ুং অফবা মখলগী হার ঙাক্তনি। মসিনা লৈহাও কাহনবা ঙম্বা হিংকুপশিংসু মশীং হেনগৎহন্দুনা পোথোক মশীং য়াম্না পুথোকপদসু মতেং পাংই লোয়ননা শাশিংগী মচিঞ্জাকসু পীবা ঙমহল্লি।

পাম্বী খনবদসু মফমদুগী ওইবা চানরবা মওং ওইবনা মফমদুগী ফীভমদা নিংথিনা হৌবা ঙমহল্লি। মসিদসু নত্তনা পাম্বী মখলশিং মথং মথং থাবনা লৌফমদগী ঈশিং চেন্থদুনা মাঙবসু হন্থহনবগা লোয়ননা ঈশিং ফাজিনবা ঙম্বগী ফীভমসু ফগৎহল্লি। অসুম্না ঈশিং কা হেন্না চঙবদগীসু কনবা ঙমই।

পোৎ হৌদবা লম্ফাংনচিংবা লৌউ-শিংউ পায়খৎপা য়াদবা মফমদা অয়াম্বা মতমদা লৈবাক অদু কংদুনা লৈ অদুবু মহৌশাগী লৌউ পায়খৎলবদি মফমদুদা হিংকুপশিংগী মথৌ তৌহন্দুনা লৌ উবা য়াহল্লি। মরম অসিনা লৌ উবা য়াদবা মফমশিংবু শেমগৎপদা শা-ষণ য়োক্লকপা মরম্না মহৌশাগী লৌউনা চাউনা মতেং পাংই।

**হিংননবা মচাক অমসুং শেল-থুমদা কান্নবা :** মফম মফমদা (লোকলদা) ফংলিবা মপোৎশিং শীজিন্নদুনা শা-ষণগা পাম্বীগা পুনশিন্দুনা অমদি মল্টিপল ক্রোপিং (চহী অমগী মনুংদা পাম্বী অমগী মথংদা অমা লেপ্তুনা থাবা) তৌবনা শেঞ্জং হন্থহনবতা নত্তনা পূম্নমক্তগী শেল লাক্লবগী মচাক হেনগৎহল্লি। লোয়ননা মহৌশাগী লৌউ হায়বসি মফম মফমদুগী মহৌশাগী ফীভমদা য়াম্নমক তাংজরিবনি। উমং লৈবা মফমদা এগ্রোফোরেষ্ট্রিগী (লৌউ পাম্বীগা উ ৱাগা পুনমিন্নবা) মোদেল অমা শেমদুনা পায়খৎপা মতমদা মখল মখা কয়াগী লৌউ পাম্বী কয়া অমা থাদুনা মফমদুগী থৱায় পানবশিংগী (বাইওদাইভর্সিটি) মশীং হেনগৎহনবতা নত্তনা চিঞ্জাক পাম্বী নত্তবা খোই, ৱা, তেজপতা অসিনচিংবা পুনশিন্দুনা ইকো সিষ্টম ফগৎহনবগী মথৌ পাঙথোক্তুনা মমলসু কানা য়োনবসু য়াগদৌরিবনি। পূম্নমকসিগীসু মথক্তা মখল মখা কয়াগী পোথোক পুথোকই। লোয়ননা মপান্দগী খূৎশেমগী ওইবা হীদাকশিং শীজিন্নদবা মরম্না পুথোক্লিবা চিঞ্জাক্তুগী মগুন হেল্লি। মচল শুবা চিঞ্জাক ফংদুনা ইমুংদুগী মীওইশিংগী মশা ফবসু হেল্লি।

মহৌশা লৌউগী মরূ ওইবা থৌওংশিং (প্রিন্সিপল) :

১) নুমিৎ ৩৬৫ বাইওদাইভর্সিটিবু কোনশিনবা হায়বদি বাইওদাইভর্সিটি ঙাক শেনবা হেনগৎহনবা

২) মখল মখা কয়াগী লৌউ পোথোক/পাম্বী উ থাবা

- চহী অমগী মনুংদা অওন পোথা অমদি পুনশিনবা য়াবা মহৈ মরোংশিং পূন্না থামিন্নদুনা ফৈনা অমদি য়ুংনা (ভর্টিকেল্লি অমসুং হোরাইজেন্টল্লি) পোথোক মশীং হেনগৎহনবা
- পুনশিন লৌউ য়াননবা মওংদা শেম শাবা
- চহী চূপ্পা অহিংবা মরাশিং থমদুনা লৌফম্বু অশংবা পাম্বীনা কুপ্তুনা থম্বা
- মনা মশিং অমসুং উহৈ পাম্বীশিং মতম লোনশিন্নদুনা থামিন্নবা - ইন্টর অমসুং রেলে ক্রোপিং
- মফমদুগী ঈশিংগী খুদোংচাবা অমদি অঙ্গৈং অশা/নোংজু নুংশাগী ফীভমগা চান্নবা পোথোকশিং থানবা হোৎনবা
- নোংগী ঈশিং ফাজিন্দুনা য়োকশিলহৌনবা পান্থৈশিং - খোংবান, পুখ্রি অমদি ঈশিং পুথোক পুশিনগী তোঙানবা এনর্জিগী পান্থৈশিং থম্বা
- নুংশিত্তগী ঈশিং ঈনিল ফাজিনবা ঙম্বা অমদি লৈবাকপু চহী চূপ্পা ঈনিল ফংহনবা ঙম্বা মওংগী পোথা ফংনবা শেম শাবা (দিজাইন)
- পাম্বী অমদি শা ঙা থৱায় পানবশিংনা পথু পুমথদুনা ওইরকপা মচল (ওর্গানিক মেট্টর) হেনগৎহন্দুনা ঈনিল ফাবা ঙম্বা লৈবাক লৈহাও ওইহনবা (কম্পোষ্টিং)
- মাইক্রো ইরিগেসন (দ্রিপ, স্প্রিঙ্কলরনচিংবা) তৌদুনা ঈশিং মাঙহন্দনা লিক্লা চনবগী কান্নবা হেনগৎহনবা, মতিক চাবা ক্রোপিং সিষ্টম শীজিন্নবা
- ঈশিং নুংশিৎকী ফীভম, লৈবাক লৈহাওগী ঈনিলগী ফীভম কূপ্না শেন্নবা

৩) বাইও ষ্টিম্যুলেটর শীজিন্নদুনা মপূং ফাবা পোথোক পুথোকপা

৪) লৈবাক লৈহাওবু কা হেন্না লেংহন্দবা (কা হেন্না মতাং চাদনা লৈবাক খোইদবা) লৈবাক লৈহাওগী মরূ ওইবা মচাকশিং ফিজিকেল ফেক্টরস (লৈশাগী ফীভম, ঈশিং ফাজিনবা ঙম্বগী ফীভম অসিনচিংবা), কেমিকেল ফেক্টরস (ঈ সী পি ঐচ পাম্বীনা লৌশিনবা ঙম্বা মচিঞ্জাক য়াওবগী চাং অসিনচিংবা) অমসুং বাইওলোজিকেল ফেক্টরস (হিংকুপশিংগী মখলশিং য়াওবগী চাং অসিনচিংবা) পূম্নমকশিং য়েংশিনবা।

- সোইল ইরোজন (লৈবাক লৈহাও চেম্থোকপা) থিংবা
- লৈবাক য়ৈশিনবা থিংবা, লৈবাক হন্থনা খোইবা, শা-ষণনা শম্পোৎ খোইবা
- লৈবাক য়াকশিনহন্দবা, ওর্গানিক্কী মচাকশিং য়াওহনবা, মহৈ মরোং মখল হোংদোকপা, অহিংবশিংগী পথুরবা (ওর্গানিক মেট্টর) হেনগৎহনবা
- ওর্গানিক মেট্টর হেনগৎহনবা, কম্পোষ্ট শেম্বা, লৈমায় কুপশিনবা, মেন্যুওর হাপ্পা
- য়ূমদা শেম্বা হিংকুপকী হার শীজিন্নবা, ইফেক্টিভ মাইক্রো ওর্গানিজম/ইন্দিজিনস মাইক্রো ওর্গানিজম শীজিন্নবা

৫) মহৌশাদগী ইরমদমগী মরূ শীজিন্নবা :

- ইরমদমগী পাম্বীশিং মশক খঙদোক্তুনা য়োকখৎপগা লোয়ননা দোক্যুমেন্ট তৌবা, মেপিং তৌবগা লোয়ননা মশক মগুন খঙদোকপা
- পূন্না চৎমিন্নদুনা পাম্বী মখল খন্দোকপগা লোয়ননা থাবগী মগুনশিং খঙদোকপা, মখোয়গী য়াম্না হৌফম ব্লোক, মফম মফমগী উৎলকপা মগুনশিংগী দেটা শেম্বা, মখোয়গী মগুনশিং তাকপা কেটালোগ পুথোকপা
- বাইওসেফটিগী য়েংলগা জি এম ও শীজিন্নবা য়াদবা
- ওর্গানিক সীদ হব; পেরেন্ট লাইন থম্বা (য়োকখৎপা, ব্রীদিং তৌবা, ত্রেনিং তৌবা, মরূ পুথোকপগী কেপাসিটি বিল্ডিং তৌবা, পাম্বী য়োকখৎলিবশিং, ব্রীদরশিং, মরূ পুথোকপশিং অমসুং য়োনফম কৈথেলবু পূম্নমকশিংগা মরী লৈননবা হোৎনবা
- লোকল প্রদক্সন অমসুং শন্দোক য়েন্থোক তৌনবগীদমক মফমশিং কম্যুনিতি সীদ বেঙ্ক, কম্যুনিতি এন্টরপ্রাইজেস, ফার্মস সর্ভিস সেন্টরশিংগা খূৎশম্নদুনা লিংখৎপা
- সীদ সোর্স লাইসেন্সিং হাংদোকপা : পাম্বীশিংগী জিনেটিক মেটরিএল শীজিন্নবা য়াবগী নীংতম্বা ফংহনবা, মদুদগী পুথোরকপা মখলশিংগী অকক্লবা অমত্তদা পীবা খুদোংচাবা/হক লৈহন্দবা
- প্রোসেসিং অমসুং ভেল্যু এদিসন তৌদুনা শীজিন্নবা হেনগৎনবা তোঙানবা পুথোরক্লিবা মখলশিংগী মগুন হাপকৎপীবা

৬) শা-ষণ হাপচিন্দুনা লৈহাওগী ওর্গানিক মেট্টর হেনগৎহনবগা লোয়ননা লৌউ পোৎচঙ পুথোকপা

৭) খোইবা, থাবা, হাবেংবা অসিনচিংবা লৌউ কাঙলোন (এগ্রোনোমিক প্রাক্টিস) কা লোয়ননা মনা-মশিংদগী শুংবা হীদাক্লা লায়না তীলনা ঙাকথোকপা

৮) খূৎশেমগী হার, তীলহাৎ হীদাক, নাপি হীদাক অসিনচিংবা শীজিন্নবা য়াদবা

- তোঙান তোঙানবা পান্থৈশিং পূন্না শীজিন্নদুনা লায়না তীলনা হেঞ্জিল্লকপদগী কনবা (আই পি এম)
- মহৌশানা খল (বেলেন্স) অমা পুরক্তুনা লায়না তীলনানা পোথোক মাঙহনবগী ঙাকথোকচবা
- মীওইবা ঐখোয়না য়েৎশিনবিরুবা তৌদবনা মহৌশানা মশা মতোমতা চপ চাবা খল অমদা লাকচদুনা খূৎশেমগী তীলহাৎ হীদাক মথৌ তারক্তে
- তীল কাংগী বাইওলোজি অমসুং থারিবা পাম্বীগী অকোয়বগী ফীভম মুন্না খঙবা মথৌ তাই। মসিনা শেন্নবা লায়গনি - পাম্বীদগী শুংবা হিংকুপ্পা শাবা হীদাক য়ূমদা শেমজবা নৎত্রগা কর্মসিএল থাক্তা শেম্বা
- পেষ্ট সর্ভিলেন (লায়না তীলনা কূপশেন শেন্নবা) : ফার্মগী থাক অমসুং খুঙ্গংগী থাক্তা ত্রেপ শীজিন্নদুনা সর্ভে তৌদুনা মশক খঙদোক্লবা হোৎনবা অমসুং অখঙ অহৈশিংদগী পাউতাক লৌনবা হোৎনবা
- অচুম্বা খূৎলায়শিং - ফ্লিপ চার্ট (লায়না থিবা য়াবা চার্ট), অইবা মচাক, অতোপ্পা পান্থৈশিং শীজিন্নদুনা প্রোব্লেম খঙদোক্লবা হোৎনবা
- লৈকায়দা বাইও ফর্টিলাইজর অমদি অতৈ পোৎচঙ পুথোক্তুনা অমদি য়োনবগী দুকান হাংহন্নবা শিনবা
- চয়োলগী ওইবা লায়না তীলনাগী ফীভমগী মরমদা পাউতাক/পাউজেল শন্দোকপা। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।